# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাংজিং অচৌবা, ঘরি অমদি শঙাইপ্রৌদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওই অনি ফারে।

২) কাংপোকপী জিলাগী ওলমুন খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংলে।

অমসুং

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- রাজ্য অমা চাওখৎহনবদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফনা থম্বা হায়বসি য়ামমক মরুওই।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চখরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লাংজিং অচৌবা, ঘরি অমদি শঙাইপ্রৌদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ফারবা মীওই অনি অদু আইন্না থিংখ্রবা কে.সি.পি (নোয়োন) কাংবুগী এক্তিভ কাদরশিংনি হায়রি। মীওই অনি অদু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ মোইরাং হনুবদগীনি। অতোপ্পা মীওই অদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুমলৌদগীনি। হৌজিকা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবনি হায়রি। মখোয় অনিদগী মখোঙ অনি পানবা গাড়ি অহুম অমদি এম-ত্বেন্তি পিষ্টোল অমা ফংবা ঙমখি হায়রি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়- কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা কাংচুপ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওলমুন খুলদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চখবদা

খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংলে হায়রি। মদুগী মনুংদা এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অমা, সিঙ্গল বরেল রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল বোল্ট এক্সন রাইফল মরি, দবল বেরেল বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, পুল মেকানিজম রাইফল অনি, ইমপ্রোভাইস মোরতার মরি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৩৮ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা থৌবাল ডাম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মোংলম এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা লোকেল মেদ ৱিপননি চিংনবা পোৎশক অমসু ফংখি হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী সিদেন অমদি চংপিকোট খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎপা ঙমখি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি। আইন্না থিংখ্রবা লুপ প্রিপাক্কী এক্তিভ কাদরনি হায়বা মীওই অমা শিংজমৈ ময়েংবম লৈকাইদগী ফাবগা লোয়ননা কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী এক্তিভ কাদর অমসু থৌবাল জিলাগী অথোকপম খুনৌদগী ফারে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

পরিক্ষা ঃ চহি অসিগী পরিক্ষা পে চরচাদা অনৌবা রেকোর্দ অমা ওইনা হৌজিক ফাওবদা মীওই কোতি মরি হেন্না রেজিষ্টর তৌরক্লে। মমাং চহিদা মীওই কোতি ৩ লাখ ৫৬ না রেজিষ্টর তৌদুনা জিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দতা চনখিবনি।

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়- থৌওং অসি চহিগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ওইরম্বদগী হৌজিক্তি মহৈরোইশিংবু পুকিং ৱাখল লৈতানা পরিক্ষা থাহন্নবগী জাতিগী ওইবা ইহৌ অমা ওইরে। মহৈরোহশিং অসিবু একজাম ৱারিয়রসনি হায়না ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা মখোয়দা হন্দক্কী ইদিসন অসিদসু পুকিং হকচাং য়াওনা শরুক য়ানবা অমসুং প্রধান মন্ত্রিগী লমজিং অমদি পাউতাক্কী কান্নবা লৌনবা হায়রি। ২০২৬ কী পরিক্ষা পে চরচাগী রেজিষ্ট্রেসন মমাং চহিগী দিসেম্বর ১ দগী মাই গোভ পোর্তেলগী খুত্থাংদা হৌখিবনি। মসিদা মহৈরোই, মখোয়গী অহল লমনশিং অমদি ওজাশিং য়াওনা মীওই কয়ানা রেজিষ্ট্রেসন তৌরক্লি।

অমিত ঃ  কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্না হায়রি- রাজ্য অমা চাওখৎহনবদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফনা থল্বা হায়বসি য়ামমক মরুওই। মহাকা হায়- আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফবা রাজ্যশিংনা শেল থাদবা মীওইশিংগী পুকিং নিংথিনা চিংশিনবা ঙম্মী।

জোয়পুরদা ঙরাং কন্সটেবল লৌবগী থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহ্না হায়- শিংনবা কয়াগী মরক্তা রাজস্থান সরকারনা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী লমদা অখন্নবা পুকিং চংলি অমসুং মদুগী ফলনা হৌজিক রাজ্য অদু শেল থাদবা মীওইশিংনা পামবা মফম অমা ওইরে।

থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রিনা রাজস্থান পুলিসকী নৌনা খনবা কন্সটিবল লিশিং ১০ রোমদা এপ্পোইন্টমেন্ট লেটরশিং খুৎশিন্নখি।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাত্তা শৌরিয়া য়াত্রাদা শরুক য়াগনি অমসুং সোমনাথ মহাদেব খুরুমগনি। মদুগী তুংদা, শ্রী মোদিনা রাজকোটতা চত্তুনা ভাইব্রেন্ট গুজরাত রিজনেল কনফরেন্স হৌদোক্কনি।

শ্রী মোদিনা ঙরাং গুজরাতকী পভাস পটনদা পাঙথোকপা সোমনাথ স্বাভিমান পর্বাদসু শরুক য়াখি। নুমিৎ হুমিগী গুজরাত খোঙচৎতা ঙরাং সোমনাথতা থুংখিবা প্রধান মন্ত্রিনা মন্দির অদুদা লৈবা ওম-কার জপতসু শরুক য়াখি। প্রভাস পটনদা পুকিং চিংশিননিঙাই ওইরবা দ্রোন সো অমসু উৎখি।

রাজনাথ ঃ   ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স ক্বান্ট কম্প্যুতিং বাইও টেকোলোজি অমদি স্পেস রিছার্সতা মায় ওনশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। ৱাফম অসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ ২০২৬ তা শ্রী রাজনাথনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়- হৌরক্লিবা নহারোলশিং ৱাখল লৌশিং ফবতা নত্তনা লুচিংবা অমা ওইবগী মতিক মগুন চপ চানা য়াওরি। মসিগীসু মথক্তা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা অফবা জাতি অমা শেম্বগী অপাম্বা মখোয়দা লৈ। মরম অদুনা নহারোলশিংনা খুদোংচাদবা সমস্যশিংদগী মায় লৈদুনা চেল্লোইদবনি। মদুসু

পুন্সিগী ওইবা শরুক অমনি। সমস্য কয়া থেংনরিবা মখৈ তুংদা মপাঙ্গল কনবা অমদি হেন্না ৱাখল লৌশিং লৈবা ওইরক্কনি হায়না লৈবাক অসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা আপীল তৌখি।

জোসি ঃ কেন্দ্রগী নিউ এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নোন-ফোসিল ফ্যুএল পুথোকপগী চাং গিগা ৱাট ২৬৬.৭৮ য়ৌদুনা ২০২৫ দা লৈবাক অসিনা ক্লিন ইনর্জিগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা চাওখৎলে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা মন্ত্রিনা হায়- ২০২৪ গা চাংদমবদা মসি চাদা ২২.৬ কী চাংদা হেনগৎলে। ২০২৫ খক্তদা নৌনা নোন-ফোসিল গিগা ৱাট ৪৯ গী মথক্তা পুথোকপা ঙমখি হায়নসু মহাকা মখা তাখি। শ্রী জোসিনা হায়- ৱিন্দ ইনর্জি পুথোকপগী চাংসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্তুনা হান্না গিগা ৱাট ৪৮.১৬ পুথোক্লকুম্বদগী হৌজিক গিগা ৱাট ৫৪.৫১ য়ৌবা ঙমলে।

মান্দভিয়া ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মান্দভিয়ানা হায়রি- ২০২৬ কী ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোক অসি লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা হকথেংননা য়ৌহনবা ঙমগদবা তোমথিল ওইরবা প্লেটফোর্ম অমনি।

অকাশবানি নিউজগা অখন্ননা ৱারী শান্নবদা মন্ত্রিনা হায়- নহাশিংগী ৱাখল্লোন অদুনা সরকারগী তুংগী থৌশিল থৌরাং কয়াদা চাউনা মতেং ওইদুনা লৈবাক অসিনা ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী থল্লিবা পান্দম অদু য়ৌবা ঙমহনগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরদা লম্বীগী এক্সিদেন্টনা মরম ওইরগা মীওই চাদা ২৯ রোমগী থৱায় মাংহল্লি, পাব্লিক ট্রান্সপোর্ট হিংগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়না এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি- অনুরাগ ভাজপায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম

সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

আই.তি.এল.এফনা হায়- কুকি এম.এল.এ ১০ গভর্নমেন্ট শেম্বদা য়াওরোই, শ্বাইদনা অনৌবা গভর্নমেন্টকী আশা তৌনরি হায়বা হেদলাইন অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন্নি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু চপ মান্নবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি হৌজিক্কি ফিভমসিদগী নাম্থোকপা ঙমদ্রবদি ইচা ইশুশিং কুলি ওইহৌরগনি হায়না এম.পি- বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসনা সি.এস.ওশিং অমদি পোলিতিকেল পার্তিশিংগা ৱারী শান্নবগী থবক পায়খৎলি হায়বা হেদলাইন অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন্নি।

ঙানুকোনগী বোমনা থুগাইখ্রবা য়ুম শেমজিন্নবা লৈঙাকা করিমত্তা পীরক্ত্রি, রেড জোনদা লৈরুবা ঐখোয়গী লনাই মাংজবা ওইরগদ্রা হায়না য়ুম্লুনা ফোংদোরকপা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

রোড সেফতি মন্থ ওভজার্ভেসনগী মনুং চন্না রোড সেফতি প্রাক্তিসশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

নার্কো তেরোরিষ্টশিং তকথোক্কদবনি তকশিল্লিঙৈ, অমিত সাহনা মার্চ ৩১ দগী হৌদুনা চহি অহুম চুপা ড্রগকী মায়োক্তা ওপরেসন চত্থরগনি লাউথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনবু মণিপুর লৈঙাকা করম্বা মীৎয়েংদা য়েংলিবগে, কুমজা ১৯৮৮ দা হৌদোকখিবদগী লৈরকখিবা দিপ্যুতি সেক্রেতরি অমসুং প্রজেক্তিং কাউন্সেলগী পোষ্টশিং লৈঙাকনা সেঙ্কসন তৌরমদ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবাা হেদলাইন্নি।

------